## এডিটোরিয়েল

### থাঙ্গাল কৈথেলদা শাদ্রবদি য়াদবরা

হন্দক চহীগী অনৌবা পাউজেল অসি জানুৱারী ৪ গী অয়ুক অঙনবদা হাখিবা য়ুহার অদুনা ওইখি। য়ুহার হাবগী ফলদা অতাবী কয়া অমা লৈরম্বদি য়াই হায়ববু সমা কৈথেল অহুম শাবদা অনী কৈথেল ফম্বা য়াদবগী মওংদা শোকহনখিবা অদুম্মা শোইদ্রে হায়বগী ফল ফংলবা খুদম চাংদম য়াওরবা অমনি। য়ুহার অসিনা ইমা কৈথেল শেমজিনবগী ৱাফম নৈনদ্রগসু, কৈথেলসিদা রুলিং অমসুং ওপোজিসনগী অকনবা লান অমনি হৌখ্রে। লান অসিনা মরম ওইরগা মালেমগী মফম অমত্তদা চৎনরমগদবা মান্দবা মওংদা সরকারনা কার্ফিয়ু থমজিনখিবা অসিসু পুৱারীগী তাঙ্কক অমনি হায়না লৌবা তায়। অমরোমদনা পোলিটিকেল সিনারিয়ো অসিদি প্রোব্লেম সোল্ভ তৌনবা থৌশিন য়াৎপনি হায়না লৌবদি য়ারোই। পুন্না কৈথেল পোৎফম লিশিং অনীগী শীনবা হায়বসি মরক্কী থৌশিল অমা ওইরগদি পোৎফম ফম্বী ইমাশিংগা তান্নরগা হৌজিক লৈরিবা য়ুহারনা নিংখাইবা ঙমদ্রবা ইমা কৈথেলসিগী মথক্তা অঙম্বা মখৈ ফমহল্লগা মেকফি মার্কেট হায়রগসু খঙনবা টেম্পোরেরি মার্কেটকী শেমহৌরিবা পার্কিং এরিয়া ওইনা লৈরিবা মফম অমসুং ফেলিলি ৱেলফিয়ারগী হেদ ওফিস লৈরিবা অদু শোকহন্দনা বি টি রোডলোমদগী থিংজল্লগা শেম্বদা পোৎফম কয়া অমা চনগনি মসিদি য়েৎনবগী মথৌ তাদব মফম অমা সরকারনা ওইহনবা ঙমগদবা মফম্নি। অমরোমদনা ফেমিলি ৱেলফিয়ার ওফিসকী ওইনদি ওল্ড এসেমব্লি রোড লোমদগী চংহনবা য়াই। পার্কিংগী ওইনা খুদোংচাদবা লৈরগসু মতম খরগী ওইনা হান্নগী এসেমব্লি লম্বী অদুদা শীনবা য়াগনি। হান্না লৈজরম্বা পোৎশিংফনা য়োল্লিবা দুকানশিংগী মমাঙদা খুখ্রবা লম্বী অদু অমুক্কা পিকশিলহল্লগা বুমেন ভেন্দরশিং শাগনি হায়বসিমা থাঙ্গাল কৈথেলগী দুকান্দারশিংনা য়ানিংলরোইদবা ৱাফম অমনি। অমুকসু নৈনবা য়াবা ৱাফম অমনা অশিৎ অৱাম্থা ওইরিবা মতমসিদা মৈহৌ লাংপোক্কী থৌদোক থোক্লকপা তারগদি শাজিল্লিবা ভেন্দরশিং অদুগী কন্সত্রক্সন অদুনা কা হেনবা খুদোংচাদবা কয়া থোকহল্লকপা য়াই। ফ্লাইওভর ব্রিজ শাখ্রবা মতুংনক্না লৈখ্রবা ফায়র সার্ভিসকী মৈ কন্নবা গাড়ীশিং চংবা য়াদবদগী থাঙ্গাল কৈথেলগী প্লোট খরা মৈবা তুম্না চাকখিবনি। মদুগী মখা তারকপদা কখুলোংদা চাকপা মৈ কনবদা খুদোংথিবা কয়া অমসু মায়োক্লখি হায়বসি খঙদুনা লৈরবনি। মসিমক্তুদা লম্বী চিলহন্নবা হোৎনবা হায়বসিমা সরকারগী অশোইবা থৌশিলনি অমসুং কৈথেল মনুংদা মী চিনবা মতমদা অমুক্তা চৎলগা য়েংখিদ্রবা হায়বদি ওইরিবা ফিভম খঙদবা মীয়ামগী মীহুৎশিংনা ভাবনা শারগা শীনবা থৌশিল ওইগনি।

য়েৎনবগী মহুৎতা ইম্ফাল ম্যুনিসিপালনা খল্লগা পীরকপা মফমদুদা মতৌ করম্না লৈখেল পোৎফম শিনবা য়াগদগে হায়বদু খন্নরগা এক্সটেন্দ তৌবা য়াবা মফম লৈরিবদুদা মতম খরগী কৈথেল শঙ শাবদা ওইথোক্কদবদু খন্নবা ফৈ। মসিগী মথক্তা কিন্থরবা ইমা কৈথেলশিং অসি মতম থাদুনা শিদোক্কনি নৎত্রগা শেমজিনগনি হায়বগী ৱাফম অমত্তা সরকারগী মায়কৈদগী ফোংদোক্তবা হায়বসি মীয়ামদা য়াম্না ঙক্না থোকই। য়ুহার হাবা হায়বসি নেচরেল দিজাষ্টর অমা ওইবনা মসিদা ষ্টেটসিগী মনুংদা অশি–অনা, অকায়–অতোয়শিং অদু কমপেন্সেট তৌনবা থৌরাংদি সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টকী ওইনা লৈরিবনি। ষ্টেট গভর্নমেন্টনা ইনিসিয়েটিব লৌবা তারগদি মদুগী শেম্ফম পুম্বা সেন্তরদগী থাদরক্লোইদবগী মরম লৈতে। তকশিনবা, থোকখিবা থৌদোকশিংদা অকায়–অতোয় থোকখিবশিংগী অচুম্বা রিপোর্ট খুদক্তা ইভিদেন্সকা লোয়ননা থারবদি মদুগী শেম্ফম শোয়দনা থারক্কনি হায়বসি থাজে। মদুদি তৌদনা মতাং চাদনা ইরাং থোকহন্নবা থাঙ্গাল কৈথেলদা পোৎফম শাজিনবা হায়বসিদি মীয়ামগী খুদোংচাবা মৎনবা পোলিটিকেল পোলিসি অমনি হায়বসিদি ঙসিগী মীয়ামদা মনুং হুৎনা উবা ঙম্মী হায়বসি খঙবা ফৈ।

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

### মথংদসু মখোয়বু কৌনখিদরনে?

ইকায় খুম্নজরিবা এদিটর,

হৌজিক থোকহল্লিবা ইরাংসি তশেংনা ঈশ্বর মানা মবুক শেংদবা মিনিষ্টরশিং মীয়ামদা খঙহল্লগে তৌরকইবনি। য়ুম্বী মখোংশিং কয়াদা চাওখ্রবনো হায়মদু য়েংবিয়ু অমুক্তা অদুগা মদুদা শিংলিগুম্বা য়োৎ খরনা সিমেন্ট ফাওবা লৈঙোই চামদবদুগা অহুমশিনা নৈরকইবনি। মথং মথং নিঙ্খাইরকপা হৌরক্লগনিকো মপান নক্না লৈবিরুনু। মীয়াম শোক্তনবা লম্বী থৎলগা কৈথেল শাদবা য়াদে হায়রিবসিবু কৈথেল লাইরেম্বী ইমানা পীবা য়াবা ওইবনরা? হৌজিক সরকার অসিদা য়াওরিবশিং মরক্তা লাইগী শামিন খঙবকা য়াওবদগী সিএম মশামক্না থাজদুনা শিখাং খাংইবরা খঙদ্রে। দলগী স্পোক পার্সন্না থম্বীরকইবা ৱাফমদুদা তোম্বীসা হায়স্কুল এরিয়াদা কৈথেল শাগৎপগী মচাং মথুমশিং পৈফম ওইবনা য়ারোই হায়বনি। মফমসিদা কোক্কী শরু লৈরম্বগী ৱাথোকশিং পূম্নমক লৈনুংদা ফুমদুনা লৈহন্নবা কৈথেল শঙ হোবে হোবে কৈথেল নংবীদা শারিবনিকো। ডিষ্টিক্ট হোস্টপিটালগী অহাংবা মফমশিংদা মতম খরদংগী শীন্দোক্লবা হায়বসিদা শেন্দোং য়াপ্লোই হায়দুনা অনম কল্লি। অচুম্বা তৌরক্লবসু ফাগনি পুগনি জেলদ থমগনি হায়দুনা শীংলি পুথোক্তুনা লৈবনদি লৈবাক ইরাং নেমথরক্লোই তামো। তৌবতবু শানিংবা মফমদা শাবা তারবসু মদু অমুক শীদোক্তুনা মখা তানা। শীজন্নহৌবা য়াবা মফমশিংদা শিনবীয়ু। কৌবিয়ু রাজনিতি দল পূম্নমক খুন্ন–নৈনবীয়ু লৌবিয়ু ৱারেপ। লন্নাইখক্তা ৱারেপ লৌরগা ঙসি ঙসিমক ধারা ১৪৪ চল্লাইদুনা অৱাবা পীবসি পেন্দ্রদুনা মীয়াম য়াইফনবগী থৱাই খুবাক্তা হাপ্তুনা অহিং নুংথিল থিদনা চেন চোংলিবা পাউমী ফাওবা ১৪৪ মনুং চলহনখ্রে। শারৈগী লৈবাক্তা লমপ্রায়না নিংথৌ ওই হায়বদুমক তাহল্লকইবরা? লৈবাক মীয়ামগী মায়োক্তা থবক খুদিংমক পাঙথোক্কনি হায়না লেপ্লিবা ঙসিগী সরকারসিগী দলশিংবু ঐখোয়না মথং টার্ম অসিদসু কৌনখিসি হায়রিব্রা? হৌজিক প্রজানা মখোয়দা কৌবদা খুমদ্রবনিনা ঐখোয়না অমুক মখোয়বু কৌনিংখিগদ্রা? সেন্তরদগী থাদরকপা অচৌবা শেনফম খুদিংমক চয়েৎনবা থোকহল্লগা শুরু শুরু লৈশিল্লগা ইরাং শাগৎলগা মখোয়গী শেন্দোং তানবদা নুংঙাইনবা হোৎনরি। ওপোজিসনগী মচু তৈরবা দল পূম্নমক্না তাঙ্গাসি য়ৌরবদি ইলেক্সনসু কুইদ্রেদনা নরিল পুথোক্তুনা চামহৌরো। ঙাংবা হৈবা নম্ফু লৈকায় পোকপা মন্ত্রি ময়াম অসি হন্দক্কী খোংফমসিনা মখোয়গী অরোইবা চৌক্রি ফম্ফম ওইহল্লনি হায়না কৈথেল লাইরেম্বীনা শ্যাপ য়েল্লবনি। লম্বীদা কৈথেল শাগদবনি শাদবা য়ারোই মুকইবদো মথংদা অমুক লাইরেম্বীনা চানবীররোইদবনিনা মখোয়বু অমুক কৌনরুবা হৌনদ্রে। অহাওবা চানিংবা নুংঙাইবতা পাম্বা হুমাং পুথোক্লিংদবা কোক য়াওদবা প্রজাশা! নখোয় য়াওবদগী ঐখোয় ৱারেকো। কোক হাপচিল্লে লৈবাক ইংহল্লগে অরেম–অপা চাবীরগনুও!

অদোমগী
অসেম থোকচাও মীতৈ
ময়াংলাংজিং অচৌবা

## রিপব্লিক ডেগী পাউজেলঃ

# ইন্দিয়াগী ফীবান্নুংদা লৈরিমখৈ মণিপুরগী অরুবা ৱাফমশিং ৱাখৈবা ঙম্লোইদৌরিব্রা?

হাওবা

ইন্দিয়াগী নীংতম্বগী চাওগোরনা মণিপুরবু কোনশিনবা ঙমদ্রবসু, ইন্দিয়াগী রিপব্লিক পাউজেলনা মণিপুরবু (ইং ১৯৫০) কোনশিনবা ঙম্ফম থোকখিবা অসিনা মণিপুরী মীয়ামগী থাম্মায় খোনবা ঙম্নবা হোনিখিবরা? ঙসিগী ৱাংহংনি লেপ্পা লৈতনা হংনগদৌরিবা।

ইং ১৯৫০ দা সেক্যুলরিজম, সোসিয়েল জষ্টিস, লিবর্টি, ইক্বেলিটি, ফ্রের্টেনিটি হায়বা দিমোক্রেসিগী হকশিংদা য়ুম্ফম ওইরগা ইন্দিয়াগী কনষ্টিট্যুসন ইবা লোইরদুনা চৎনবা হৌখিবনি। শীংকক ৩০ ফাওবা 'য়ুনিবর্সেল দিক্লারেসন ওফ হ্যুমেন রাইটস, ১৯৪৮' অসিবু অয়াবগী খুৎয়েক পীদুনা অমসুং মসিদা য়ুম্ফম ওইদুনা ইন্দিয়াগী কনষ্টিট্যুসন্না ফন্দামেন্টেল রাইটশিং পীগনি ৱাশক্লি। কনষ্টিট্যুসনগী ৪ শুবা চেপ্টরদা শীংকক ৩৬–৫১ দা লৈরিবা 'দাইরেক্তিব প্রিন্সিপলস ওফ ষ্টেট পোলিসি'না থবক ওন্থোকপা য়াদবা হকশিং ওইনা লৈরি।

অসিগুম্বা মপুং ফাদবা কনষ্টিট্যুসন্দা য়ুম্ফম ওইরগা পোলিটিকেল পার্টিশিং অমসুং লৈঙাকপা লুচিংবশিংনা লায়রবা মুখৎকনি, লাঙ্গোল পায়বা লম লৈজদবা লৌমীশিংনা লমগী মপু ওইজগদবনি, সোসিয়েল জষ্টিস ফংহনগনি হায়না ৱাশকখিবনি, লাইরিক হৈতবা মীওইশিংদা থবক পীনবগী মরীদা ইন্দষ্ট্রি লিংবগী ৱাশক থমখিবনি। দিমোক্রেসিগী মরুওইবা য়ুম্ফম ওইরিবা লাইরিক হৈহন্বগী চাং অসি চহী ১০ গী মনুংদা চাদা চামা ওইহনগনি হায়না ৱাশকখিবনি।

অদুবু চহী ৬৫ হৌখিবগী মনুংদা ইন্দিয়াগী কনষ্টিট্যুসন্না পীগনি হায়না ৱাশকখিবা হকশিং ঙসি ফাওবদা ফংদনা লৈরিবশিং অসি করম্বা মতমদা ফংহন্বা ঙমগদগে হায়বদু অমম্বগী ইরোন্নুংদা লৈরি। লমদমসিগী মীয়ামগী লনাই অমসুং খুন্নাইগী ওইবা নীংতম্বগী হক ঙসি ফাওবা ফংদনা লৈরি। কনষ্টিট্যুসনগী শীংকক ৪৫ না চহী ১৪ ফাওবগী অঙাং পূম্নমকপু হৌখিবা চহী ১০ গী মনুংদা লোন্না এদুকেসন পীগনি হায়না ৱশকখ্রবসু, ঙসি ফাওবা ঙমদনা লৈরি। রি–পব্লিক ডে ৬৫ রক চৎখ্রবসু অপুনবা মীশিংগী চাদা ৩০ অমসুং ৪০ হেন্না মথংশীৎনা নুপা অমসুং নুপী লাইরিক হৈতবা ওইরি। লাইরিক লাইশু খঙবা–হৈবা মীয়াম্না মীহুৎ খন্দুনা দিমোক্রেসিগী মায়পাকপা য়ুম্ফম ওইহল্লিবনি। অদুবু মরুওইবা ৱাফম অসিবুদি নাথৈদুনা থল্লি। মনীং তল্লবা ইন্দিয়াগী খ্বাইগী চাউবা মায়থীবদি মী পূম্নমকপু লাইরিক নীংথিনা হৈহনবা ঙমদবা অসিনি।

কনষ্টিট্যুসনগী শীংকক ৩৯ না লৈবাক চা (সিটিজেন) খুদিংমক্তা হিংহনবগী মচাক পীগনি হায়না অমসুং শীংকক ৩৯ এ না মান্নবা ৱায়েল চৈরাক পীগনি অমদি শীংকক ৪০,৪১,৪২,৪৩,৪৪,৪৫,৪৬,৪৭,৪৮,৫১ না সোসিয়েল সেক্যুরিটি পীগনি হায়না ৱাশক্লবসু, ঙসি ফাওবদা ৱাশক ঙাকপা ঙমদনা লৈরি। হোয়, লৈবাক্কী মচী–মচী খরদদি সোসিয়েল সেক্যুরিটিগী শরুক খরা ফংহনবা ঙমখ্রবসু অপুবদদি ঙমদ্রি, মসি চিহৈ নাইবা কাঙলুপ– ফুরুপ নাইবা লৈঙাক ৱায়েলগী মহয়নি।

কাঙলুপ নাইবা অমসুং লাইনীং লীচৎ খায়বগী থৌওং অসি ইন্দিয়গী খুন্নাই অমসুং লৈঙাক্লোনগী ফম্বাক্তগী পুমলৌ–লৌথোক্তুনা অচৌবা ইন্দিয়ান নেসন অমা শাগৎনবা ইন্দিয়াগী কনষ্টিট্যুসনগী শীংকক ১৪, ১৫,১৬,১৭,২৫,২৬,২৭,২৮,২৯,৩০ নচিংবনা হঞ্জিন–হঞ্জিন ৱাশক্লিবনি। হায়রিবা জাৎ লাইনীং খায়বা, কাঙলুপ নাইবা অসিনা ইন্দিয়াগী ইমুং অমত্তংগী ওইবা মান্নবা খুন্নাই শাগত্তুনা মাঙদা চৎখৎপগী পান্দমদা ওইথোকপগী ৱাফম উবা ফংদ্রি। অদুবু জাৎ–লাইনীং খায়বগী খায়বগী থৌওং অসি ঙসি চহী ৬৫ শুরবা ফাওবদা হন্থবগী মহুত্তা হেনগৎলক্লি। লাইরিক লাইশু হৈবা মীওইশিং অমসুং খুন্নাইগী লুপশিংনা মসিদগী ওইরক্কদবা অমাঙবা অসিগী মরমদি মীয়ামদা পাকশন্না লৌশিং তাহন্বা ঙমদ্রি। খুরৌ কোঙ্গোই অসি লৌথোক্তনা লৈবাক অসিবু মাঙদা চৎখৎহন্বা ওইথোক্কদবা নত্তে। হৌখিবা চহী ৬৫ গী লৈশেম্লোনগী পুৱারী য়েংলুরবদি, কাঙলুপ নাইবা জাৎ–লাইনীং খায়বশি পোলিটিক্স তৌবশিংগী খুৎ হেক্তা ওইরম্মী। ৫০ রক হন্না ৱাশকখ্রবা কনষ্টিট্যুসনগী অচৌবা মায়থীফম অদু মফমসিদা লৈরবনি হায়দুনা অখঙ–অহৈ কায়না থম্মোয় শোক্লা পাল্লম্বা কয়া লৈখিবনি। খ্বাইদগী নুংঙাইতনিঙাই ওইবগী, মীয়ামগী পুন্সি মহিংগী থাক অসি অসি য়াম্না হন্থখিবা অমসুং মমল লৈবা পুন্সিগী মগুন অদু লুচিংবশিংগী মগুন্দা য়াওবা উরক্ত্রিবা অসি য়াম্না অরুবা ৱাফম্নি। শক্লায়রবা অইবা খুসৱান সিংহনা হায়খিবদুনি, পন্দিটজি অমসুং শাস্ত্রীনা লৈখিদ্রবা মতুংদদি পোৎ খুদিংমক চীংগী লোকখাদা মপুংফাবা চেন্থবা হৌরকখ্রে।

লাইনীং লীচৎ অমসুং খুন্নাইগী ওইবা মায়কৈদা য়েংলুরবদি, ইন্দিয়াগী মমি অসি য়াম্না মশক থীবা অমা ওইরি। সেদ্যুল কাষ্ট, সেদ্যুল ট্রাইব অমসুং চাওখৎপদা থীন্থহৌরবা মীয়াম কাঙলূপশিংগী য়াইফহন্বগী মরীদা আইন শেম্বগী ৱাফম য়েংলুরগা ইন্দিয়ানা মপুম ওইবা খুন্নাই হায়বদি 'য়ুনিটরি সোসায়টি' অমা শেম্বা ঙম্বগী মমি হৌজিক ফাওবা অসুক্কী মতীক খেন্নরবা লোন য়াম্না ঙাংবা, লম–লমগী খেন্নরবা চৎনবীনা চয়োম য়োম্লগা চৎনরিবা ইন্দিয়াগুম্বা লৈবাক্তুদি মপুম ওইবা খুন্নাই–য়ুনিটরি সোসায়টি ওইহন্বা হায়বা অৱায়বা কোৎ ওইগনি, মনুংদি ফুন্দনা হোত্রোং হোরগা মপান্দা তৈরগা লাকপা হৌখিবদু হৌখিবা চহী ৬৫ গী মনুংদা শোকচীন্বা হেনখিবনি।

মসিগী মথক্তা,ইন্দিয়াগী মেনষ্ট্রিম ঈচেন্না পুশিল্লকখিবা পোলিটিকেল করপসনগী চাং হেঞ্জিলহন্দুনা খুন্নাইগী পুন্সি ঈচেলগা শমজিন্নদুনা অতৎপা লৈতনা চেন্থরিবসি অদুক্কী মতীক শাথীবা ওইরক্লে। মসিদগী কনবিনবা মীওই থোরকপগী ওইথোকপা লৈত্রি। মরমদি মসি মীতোপ কনবদগী হেন্বা ভোট বেঙ্ক লিংখৎপনি। মসিবু কনবিগনি হায়না আসা তৌরম্বশিংনা মমৈদদি ঈচেলদুগা মরী হেক–হেক শমজিন্নখ্রি। মীখল মমাঙদা মখৌ পোঙনা লাউরন্বশিং মশাগী মফম কনখ্রবা মতুংদা শন্বলনা হৱাই মতোল চাবগী থৌদোকশিংনা লৈঙাক–লৈশেমলোনগী লীক্লমচৎ শেম্লিবা লমদমনি। মসিগী মরম্না পোলিটিকেল করপসন্না মরা তাদুনা খুন্নাইগী পুন্সি ঈচেলগা অথিংবা লৈতনা শমজিন্নরিবনি। হিন্দস্থানগী লাংওন অমনি হায়নরিবা নরেন্দ্র মোডি মক্না মীখল মমাঙদা ঈ–ৱাংমগী বেঙ্কশিংদা লৈবা ব্লেক মনি পুশিল্লক্কনি হায়খিবদু ঙসিদি কাউথোকখ্রবা ৱাশক অমা ওইরিবশিং অতৈনা নত্তে, পোলিটিকেল করপ্সনবু থৱায় হাপ্লিবা লল্লোন্বশিংগা লেংগোন্নন চৎখিবগী মহয়নি।

অসুম্না হীরম খুদিংমক্তা য়েংলুবদা, ঈরমদম মণিপুরগী অঙাংশিং অসি চাউরক্কনি খল্লুবদা অৱাবা অমা ওইরে। মরমদি খুন্নাই অসিদা মী অচঙবা অফবা য়োকখত্তুনা ইকাইখুম্ননিঙাই ওইনা ফিদম লৈবা লৈবাক অমগী মীশক অমা ওইনা হিংফম লৈহন্দে হায়বসি মখোয়না হয়েং চাউরক্লবা মতমদদি উবা ফংলক্কনি। মতমদুদা মখোয়না নীংবা কায়বা, পেন্দবা, খোয়রাং–খোয়শাওনবগী সিম্বোল ওইদুনা ময়ুম ময়ুমদগী মপাল থোক্নরক্কনি। মদুনা ঈচেল অমা ওইদুনা পুৱারীগী পাউখোং অমা ফোঙবগুম থোরক্কনি, লমদমসিগী চৎনবী ওইরক্কনি।

অৱাং নোংপোক মরু ওইনা খ্বাইদগী নোংপোক থংবা ঙমখৈ লমদম ওইরিবা মণিপুরগী ওইননি, ইন্দিয়াগী ফীবান্নুংদা তিল্লুবগী মরম্না য়াম্না লাইবকথীবা পুৱারীগী তাংকক অমদা লাক্লি হায়না লৌনরি। ইন্দিয়াগী লুচিংবশিংনা মণিপুরবু মমল য়াওদবগুম্না নমদুনা লৌশীনখিবা অসিনা মরম ওইদুনা হেক হৌবদগী হৌনা ঙসি ফাওবদা থৌশাবিরক্ত্রি অমসুং লোইলৈবাক অমগুম্না ইন্দিয়না লোয়নবীরি হায়না লৌনরি। মসিগী ময়েক শেংলবা খুদমশিংদি, মণিপুরবু ইন্দিয়ানা নোংমৈ মতোন্দা নমফু– হাপু তৌদুনা লৌশিনবিখিবা মতুংদা মণিপুরগী হান্না লৈজরম্বা সোভরেন নেসন ষ্টেট (এশিয়াটিক) পু পুমথু থুগায়রগা পার্ট সি ষ্টেট ওইনা লৈঙাকখিবা অমসুং পেন্দ্রবা মীয়াম্না ঈহৌ কয়া তৌবদগী য়ুনিয়ন টেরিটোরিদগী ষ্টেটহুদ তঙায়ফদনা ইকোন–কোনবদা ফংখিবনি। নেসন ষ্টেটকী পুৱারী ফাওবা লৈজদবা নাগালেন্দনা অৱাং নোংপোক্কী অনীশুবা ষ্টেট ওইরগা খ্বাইদগী হান্না মনীংতমদুনা দিমোক্রেসি লৈঙাক লিংখৎখিবা নেসন ষ্টেট ওইরবা মণিপুরবু 'নোর্ঠ ইষ্টর্ন এরিয়াজ রিওর্গনাইজেসন এক্ট, ১৯৭১' গী মতুংইন্না তঙাইফদনা ইকোন–কোনবদা ষ্টেযহুদ পীরকখিবগী মীয়ামগী পেন্দবা অশাওবগী মৈরী থোক্না চাক্লক্লবগী মমি তাহনখিবনি। মসিনা ঈনোৎ পীদুনা ইং ১৯৭০ গী চহীশিংদা মণিপুরী মীয়াম্না মপাল মশাবু লৈঙাকচবা 'সেল্ফ দির্টেমিনেসন' পান্দম তানবা পাম্নরকখিবনি অমসুং মীয়ামগী খোঞ্জেল মতুং ইন্না নীংতম ঈহৌ চথরকখিবনি। অসিগুম্বা মণিপুর পুৱারীগী নীংতম লানহৌ অসি কনা–কনাগুম্বগী মোত্তা নম্ফু–হাফুন্দা চথখিবা মর্জর এগ্রিমেন্ট –১৯৪৯ গী মায়োক্তা লময়ানবা ইরাবোতনা চথরকখিবা নীংতম লানহৌ অদুগী মখা তারকপা শরুক অমনি হায়না লৌনরবসু, তশেংবদি ইন্দিয়ানা মণিপুরবু নম্ফুদা লৌশিনখিবা অমসুং মখা তারকখিবা নম্ফু–লৈঙাক অদুনা অচৌবা ঈনোৎ হাপখিবনি।

মদুগী মখা তারকপদা, ইন্দিয়ানা লমদমসিগী নীংতম ঈহৌবু 'দায়লোগ' খুত্থাঙদা ৱাখৈবগী মহুত্তা 'হেরোইজম ৱিথ দেভিল' গী সুদ্রশন চক্র পায়খত্তুনা 'কাওবোয় কলচর' লাল্লোং মীনুংশি য়াওদনা চত্থরকখিবনি। লোয়লৈঙাক্কী লীক্লমচৎ ওইনা ব্লেক লোশিং থমদুনা তমথীরবা মীওৎ মীনৈশিং লমদমসিদা চত্থরকখিবনি। আফসপানা 'কবচ–কুন্দল' লীত্তুনা লমদমসিগী মীয়ামবু য়েক্লবা ওইনা লৌরগা পুল্লপ–পুল্লপ হাৎপা ফারগা মশা থিবা ফংহন্দনা মাঙহনবা, ওৎ–নৈদুনা শোইনাইহনবা, নুপী ওইবীশিংবু শারাক তমদুনা ইকায়খুম্নবা মাঙহনবা, চোন্নপ চোন্নপ ওইনা নমদুনা ফল্লানবা, ফল্লাল্লবা মতুংদা হাত্তোকপীবা, য়ুম্লত্তগা বোম লংশিনবা, নোংমৈ কাপশীনবনচিংবা হালেঙদনা চত্থরক্লি। অসিগুম্বা জেনোসাইদকী থৌওংশিং ইন্দিয়া লৈঙাক্না চত্থদুনা হৌখিবা চহীশিংদা লমদমসিগী মীওই ১৮০০ হেন্না হাত্তোকপিখ্রে, মীওই কয়াবু থিবা ফংহনখিদ্রে। থৌওং অসিনা লমদমসিগী মীয়ামগী মফমদা অকি–অখংগী লায়না নাহন্দুনা লমদমসিগী নহারোলশিংবু খোয়রাং– খোয়শাওহল্লবা, হাওরিংজেল–নাইরিংজেল ফুদোক্লবা, মচিৎ–মশোল নাইরবা অনৌবা মীরোল ওইনা শেমগৎলক্লি। মসিদগী ময়ুম মায়কৈদা লৈনীংদ্রবা, মীরমদগী হন্নিংদ্রবা অনৌবা নুংশিৎ নুংশা অমসু শীৎচিল্লক্লি। অসিগুম্বা আফসপাগী থৌওংশিংনা খুন্নাই অসিবু মরুদা তীন চঙহন্দুনা অনৌবা শাথীরবা লায়না লায়ওং কয়ানা নাহল্লি অমসুং তুংদসু নারকখিগনি। পূম্নমক অসি কুপ্না য়েংলুরগা মণিপুরদা আফসপানা এটোক বোম অমা পোকখায়বদগী হন্থবা লৈতনা অৱা–চৈথেং নংহল্লি, এটোম বোমনা পীরকপা অমাঙ–অতাদগী আফসপানা হেন্না শাথীরবা মাঙ–তাকপা থোকহল্লি।

মসিগী মথক্তা, ঙসি মণিপুরগী য়েলহৌ ফুরুপশিংগী মরক্তা মুক্নবা, নুংশিনদবা থোকহল্লিবসি অতৈনা নত্তে, ইন্দিয়া লৈঙাক্লনি। ফুরুপশিংগী মরক্তা খুৎ–থোক্নবা অচৌবা শেনফম থাদদুনা অমসুং লান্মী অমদি ইন্টেল্লিজেন্সকী মীওই কয়া শীজিন্নদুনা কন্না হোৎনরিবগী মমি তারি। মসিবু লৈঙাক্না থিংবা মতীক ওইবা নত্তে। মণিপুরগী সি এস ও শিং লৈরমদ্রবদি কয়ারক হন্না ফুরুপশিংগী মরক্তা খুৎ থোক্নদুনা ইরমদম অসি লান্মৈগী তাঙ্গোইনা পুম্মু–মুরমগদবনি। মতাংসিদদি মণিপুরনা ঙসি ইন্দিয়ানা হয়েং ওইরিবনি। মরু–মরা তাখ্রবা লৌতুনবা অসিগী ৱাখৈরোলদি ইন্দিয়াগী ফীবান্নুংদা লৈরিবা মখৈ ওইথোক্লোই, মণিপুরনা মরোমদোম লেপ্তুনা লৈরবা মতমদদি ফুরুপকী মুক্নবা অসি মতম চুপ্পগী ওইনা ৱাখৈগনি হায়বসি নোংমৈ কাপত্রিমখৈ তাবিদবা ইন্দিয়াগী রিপব্লিক ডেগী নাকোয়নবা পাউজেল ওইরিবরা?।

# সমাজগী ইচেলদা ট্রান্সজেন্দর

মাইমোম রজিৎ সিংহ

ট্রান্সজেন্দরশিংসি মাগী ইমুংদুগী মীওই অমনী, মখোয়গী ইমুং মনুং অসি লৈকায়দগী, ষ্টেটসিগী লৈবাকসিগী অমসুং মালেম পৃথীবী অসিগী শরুক অমনি। মরম অদুনা ট্রান্সজেন্দরশিংসু সমাজ অসিগী মীওই কাঙলূপ অমনী হায়বদা লান্দে। অদুবু ঐখোয়গী সমাজ অসিগী মীওই অয়াম্বনা ইচম–চম্বা মীওইদগী হৌরগা অৱাংবা থাক্কী মহৈ মশিং অমসু শীনফমদা লৈরবা ফাওবনা ট্রান্সজেন্দর হায়রিবা মীওই কাঙলূপসি কনানো করিনো হায়বসিদা শেংনা খঙদনা চমম্নবা অমা লৈবগুম উরি। মীওই অয়াম্বনা 'হিজরা' হায়না খঙনবা নুপানা নুপীগী ফীরোল শেৎ–চাদুনা ভারতকী অচৌবা সহরশিং ট্রেন ষ্টেসনশিংদা উরিবা অমদি অতৈ মফমশিংদা উবা ফংলীবা নুপানা নুপীগী ফীজোল শেৎ চাবা পামজবশিং অসিবু ট্রান্সজেন্দর ওইনা লৌরি। তশেংবদি মসি পাক চাওই কনাগুম্বী কনাগুম্বনা বাইওলোজীকেল্লী নুপী অমদি নুপা ওইনা পোক্লগসু মখোয়না তৌথোরকপা শাজৎ শাওং অপাম নুংশি অমদি পুন্সি মহিংগী মওং মতৌ শিংদুনা মখোয়গী পোকলকপদুগা ওন্ন তৈনবদা লাক্লবদি মরুওইনা মখোয় মশানা ফোংনা থাজরবদি মখোয়সু ট্রান্সজেন্দর কৌগনি হায়বদা লাল্লরোই। মসিদা মপাম্থোংগী ওইবা শম শাংনা খাকপা মায়থোংদা কেবা কেদবা অমদি ফিরোল শেৎ চাবদা ঙাক্তা উবা য়ারক্তে।

মতাংসিদা নুপীদৌনা তৌবা নুপাশিংগী (মেল তু ফিমেল ট্রান্সজেন্দর) শিংগী ওইনা থমজগে। ঐখোয় অয়াম্বনা নুপীদৌনা তৌবা নুপা (ফজদবা ৱাহৈদা হোমো) শিংসি উরে। হায়রীবা মীওই কাঙলূপ অসি সমাজ অসিদা মতম কুইনদগী মখোয়না লৈরিবা মফম অমদি মতমগী মতুংইন্না তোঙান তোঙানবা মিংথোলশিংগা লোয়ননা লৈরক্লে হায়বদা হেঞ্জিনবা ৱাহৈ নত্তে। মীওইবা খুন্নাইনা লৈরকপগী নৈনবা অমসুং মশক নাইরবা ইতিহাসকারশিংনা অচুম্বদু খঙগনি। মমাংঙৈগী অমদি লাই তিনগী ওইবা অরীবা লাইরীকশিংদা হায়বীবা মীওই কাঙলূপসি লৈরকপগী মতাং য়াওবা থেংনরি। খুদম ওইনা মহাভারত, জাপানগী সমুলাই কলচর চাইনাগী ট্রেদিসন, হারাপ্পা অমসুং মোহনজদারানচিংবা পনবা য়াই। অদুগা মুগল নিংথৌরেলশিংগী মতমগী অয়েকপা লাইশিং ৱারেং শৈরেং লাইরিকশিং লোয়না লোয়ননা কোরনাক অমসুং কুজরাহো হিন্দুগী লাইশঙশিংদা য়াম্না মরাং কায়না লৈরকপগী অমদি মখোয়গী নুংশি নুংওলগী মতাংদা য়েক্তুনা অমদি ইদুনা লৈরি। অসিগুম্না ঐখোয়গী মণিপুর সমাজদসু মমাংঙৈ নিংথৌ পাল্লিঙৈ মতমদা নুপী মানবীশিং লৈরম্বগী ৱারী থেংনরি। মতমদুদা মখোয়সি 'পাইতা– ফৈদা' হায়না খঙনরম্মী।

মতম অমদা হায়বদি বৃটিশকী লৈঙাক শাসন লাক্ত্রিঙৈদা হায়রিবা মীওই কাঙলূপ অসি সমাজদা মশক থোক্না অৱাবা অমদি অকীবা য়াওদনা লৈরম্বগী খুদমশিং লৈরি। অদুবু বৃটিশ কোলোনিয়েলিজম্না ভারত্তা লাকপদগী চাওরাক্না ১৮ শুবা চহীচাগী লোয়রমদাই অদুগা কুনশুবা চহীচা হৌরমদাইদগী হায়রিবা মীওই কাঙলূপসি মরুওইনা সেম সেক্স মরী লৈনবা মীওইশিংদা অৱাবা খুদোংথীবা কয়া মায়োক্লবা হৌরকখি অমসুং হৌজিক্কী মোডর্ন সোসাইটি অসিদা মরা তাদুনা লৈরি। মরুওইনা ইন্দিয়ান পেনল কোর্টকী সেক্সন ৩৭৭ (শন্দোক্ত তাকচদ্রে) হায়রিব বৃটিশকী মচীন চৎপা লোর্ড মেকুলে কৌবা মীওই অমনা পামদবা আইন অমা পুশিল্লক্তুনা চৎনরকপদগী হায়রিবা মীওইশিং অসিগী পুন্সি মহিংদা শোকহনলক্লি। লোয়ননা খা–নোংপোক এসিয়াগী লৈবাকশিং অমসুং ঐখোয়গী লৈবাক ভারতসু নুপানা খুলীংবা সমাজ ওইবা নুপা ওইনা পোকলবদি অদু তৌগদবনি, তৌরোইদবনি হায়বা মতম কুইনদগী চৎনরকপা চৎনবী অমা লৈবা লোয়ননা মেজোরীটি ওইরীবা সমাজসিগী মীওইশিংগী তূহৎপীবা হন্থনা য়েংবীবা মীৎয়েং কয়াসু লাক্তুনা মীশিং য়ামজদবা মীওই কাঙলূপ অসিগী পুন্সি খোংচত্তা খুদোংচাদবা কয়া থোকহন্দুনা সমাজদগী তোঙান্না লৈহন্নবগী লম্বী শেম্মী। মদুনা মরম ওইদুনা মখোয় অয়াম্বনা মশাগী চাওখৎ থৌরাংদা অমদি শেম্মীৎলোন্দা শোথহল্লি।

সংসারগী ওল্লক্লিবশিংগী মতুংইন্না মীওই কাঙলূপশিং অসিদা লান্না শোকহল্লিবা অরিবা মতমগা চুনদ্রবা সমাজগী মীৎয়েং অসিসু তপ্ন তপ্না হোংলক্লি। লোয়ননা বিজ্ঞানগী মিৎয়েংদগীসু মীওই কাঙলূপ অসিগী শাওং শাজৎ, তৌথোরকপা মওং মতৌশিংসি মখোয়গী পোকপদগী য়াওরক্লবা মগুন অমদি জিনেতিকেল্লি ফেক্তরনা ওইরকপনি, মখোয়না পামদনা খনজবা নত্তে হায়বগী প্রমান কয়া পীরক্লি। মসিগী ৱাখল্লোন অমদি মীৎয়েংসি ঐখোয়গী সমাজদা অসুম শন্দোরক্লি। মসিগী খুদম হায়ববু ঙসিদি মখোয় অয়াম্বা ফোংনা থোক্লক্তুনা চানবা শীনফমশিংদা মখোয়গী য়াইফনবগীদমক অমদি ইকোনোমীগীদমক থবক কয়া তৌবা হৌরক্লি। মখোয় খরদি রাজনিতিদা সরকারগী লোয়শঙশিংদা হায়বদি পুলিস, ডাক্তর, উকিল, ওজাগীশিংদা অদুগা ফেশন ডিজাইনর ওইনা আরটিষ্ট ওইনা বিউতিশিয়ান ওইনা অমসুং সমাজ সেবিকা ওইনা থোরক্তুনা সমাজগী ইচেলদা তিল্লক্লি অমসুং হৌজিকসু মখোয় কয়া অমদি সমাজগী অরানবা মীৎয়েংবু লাম্থোরক্তুনা মায় পাক্না মখোয়গী ফীদা কন্দুনা লৈবা ঙমখ্রে।

অদুবু ট্রান্সজেন্দরশিংনা মশাগী তৌফম থোকপা মথৌ অমদি হক খঙনা থবক তৌবা অমদি পুন্সি মরেল অমদা হিংবগী তঙাইফদবদি লৈরি।